# শক্তাক চে য়াওদবা পেসেঞ্জরশিংদা টিকেট পীবীগনু: এসোসিয়েসন

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

মশাগী শক্তাক চে য়াওদবা মীতোপশিংনা ইম্ফালদা চঙলকপগী টিকেট পীবীগনু। গুৱাহাটি অমসুং দিমাপুরদগী টিকেট কক্লগা মীতোপশিংনা ইম্ফালদা চঙনবা হোৎনবগী টিকেট ককপদা প্রেসর পীবীদনবা ওল মণিপুর ইন্টর ষ্টেট বস এন্দ এলাইদ ট্রান্সপোর্ট এসোসিয়েসন্না আপিল তৌরক্লি।

নোর্থ এ ও সীদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা ঙরাং পাউমীশিংগা উনবদা এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম বিমোলনা হায়খি, শক্তাক চেসু হৌজিক্তিগী শাশিন্নবা ময়াম অমা য়াওরক্লবনিনা অদুগুম্বশিং অদুসু চেকশিন্না য়েংবা তঙায়ফদ্রে। মশা মশাগী অশেংবা শক্তাক চে পুরক্লগা ইম্ফাল চঙনবা টিকেট ককপীয়ু। মাও, মোরে অমসুং জিরিবামদা পুলিসনা লৌখৎলক্লিবা অকক্লবা থৌরাং অসিবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

গাড়ী থৌবীরিবা দ্রাইভর ইচিন-ইনাওশিংনসু লম্বীদগী মী হাপ্পীরক্নু। আর্মিগী চেক পোষ্ট অমদি লম্বীদা মী হাপ্পগী থৌওং চথবীগনু। মরমদি গুৱাহাটি অমদি দিমাপুরদা লৈরিবা কাউন্তরশিংদসু মাঙজৌননা চে ইরগা থাখ্রবনি। চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা চহী অহুমগী মমাংদা কাউন্তরশিংদা অদুগুম্বা চেরোলশিং থাখ্রে। কাউন্তরশিং অমসুং চেকপোষ্টশিংদা লম্বীদা মী হাপ্প বা প্রেসর পীবীগনু। দ্রাইভরশিংনসু লম্খাংদা গাড়ী খামদুনা পেসেঞ্জর হাপ্পীগনু হায়না ফোঙদোকখি।

ট্রেভেল এজেন্সী ২১ পুল্লগা কাউন্তরশিং হাঙলিবনি। গুৱাহাটি অমসুং দিমাপুরদা ইম্ফালদগী মী অমমম কাউন্তরদা থল্লিবনি। মরম অদুনা কাউন্তর অমসুং দ্রাইভরশিংদা কন্না চেকশিন্না হায়বদি লেপ্পা নত্তে। অদুবু লুরিবদি টেক্কি গাড়ীশিং, ট্রকশিং অমদি জি এস টিগী আইটেমশিং পুরক্লিবা ট্রান্সপোর্ট গাড়ীশিংদা য়েলহৌমী নত্তবা মীওই কয়া পুশিল্লক্লিবা অসিসু য়েংশিনহন্নিংই।

ইন্টর ষ্টেট বসশিংনা পুরক্ত্রবসু হায়রিবা গাড়ীশিং অসিদা পুরক্লিবা অসিনা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থৌওংশিং অসিদা কান্নবা পুরক্তবা অমসু ওইরি। অসিগুম্বা টেক্কি গাড়ী, ট্রক অমসুং জি এস টিগী আইটেম পুরক্লিবা ট্রান্সপোর্টরশিং, গভর্নমেন্টনা চলায়বা এজেন্সীশিংগী গাড়ীশিংদা তোংলক্লিবা অসিসু তোংহন্দনবা পুলিসনা হোৎনবা চঙই হায়না ফোঙদোকখি। ষ্টেট গভর্নমেন্টনা চলায়বা গাড়ীশিং অসিদা য়াওরক্লিবা মশীং য়াম্লবা নন লোকেলশিং অসিসু খ্বায়দগী মরু ওইরিবদি মোরে, জিরিবাম অমসুং দিমাপুরদগী চঙলক্লিবা গভর্নমেন্টনা চলায়বা গাড়ীশিংদা তোংলক্লিবা নন লোকেলশিংসু শক্তাক চে য়াওব্রা নৎত্রগা য়াওদব্রা হায়বসু নৈননিংঙাই ওই। এসোসিয়েসন অসিগী মায়কৈদগী মরুওইনা কাউন্তরদা প্রেসর পীবীদবা অমদি দ্রাইভরনা লম্বীদগী মী হাপ্পীদনবা আপিল তৌরক্লি।

## কাংখল হিদাক লুপথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭: এন ভি বি দি সী পি থৌবাল অমদি সোসল এদ্যুকেসন এন্দ কলচরেল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়না পুন্না খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা কাংখল হিদাক লুপ্পগী থৌরম অমা ঙসি থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায় মং লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পুন্না কাংখল ৫২৫ হিদাক লুপথোকখি।

# স্কুলগী ক্লাসরুম লৈতবদগী ক্লবকী শঙলেন ৱাইদুনা শীজিন্নরি

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস) :

ক্লাস ৱানদগীনা আইট ফাওবা লৈবা ৱাইখোম লৈকাইগী অপর প্রাইমারি স্কুলগী ক্লাসরুম হৌজিক মতিক চানা লৈতবদগী মহৈরোইশিং তম্ফম লৈতদুনা ৱাইখোম লৈকাই ভলন্টরি সোসাইতি দেবলপমেন্ট ক্লবকী শঙলেন ৱাইদুনা হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরি। গভর্নমেন্টকী অপ্পর প্রাইমারি স্কুল অসিদা হৌজিক মহৈরোইশিং ক্লাস চাং নাইনা তৌবা লোয়নননা স্কুলগী ভেন সার্ভিসসু থল্লি হায়না স্কুল হেদ মিষ্ট্রেস নিংঙোবম নিংঙোল ৱাইখোম ওংবী রোমাপতিনা পাউচে অসিগা উন্নরুব্দা ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, হৌজিক স্কুল অসিদা পুন্না মহৈরোই ১৪৮ রোম লৈ। স্কুল অসিগী ওজানা পুন্না ১৬ লৈবগী মনুংদা রিগুলর ওজাদি শুপ্নগী ৬/৭ লৈ। মেথমেটিক্কী ওজা অমখক লৈবনা করিগুম্বা মতমদাওজাদুনা ছুটি লৌখিবা মতমদা মহুৎ চঙবিনবা ওজা লৈতবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লে। এদ্যুকেসন এস দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মেথমেটিক্কী ওজা অমতং থাবিরক্লগদি খুদোংচাদবা অসি কোক্কনি।

স্কুল অসিগী ওজাশিংনা নুপা ৫০০/৫০০ খাইনরগা মহৈরোইশিংগী অৱাৎ-অপা ভেন সার্ভিস থম্বগা লোয়নননা অথু অকাইগী ওজা ৱাংলকপা মতমদা লৈকাইগী অনকপা টুইসন সেন্তরগী ওজাশিং নেক্লগা ক্লাস লৌহল্লি। য়াম্না খুদোংচাদ্রিবসি স্কুলগী ক্লাসরুম অসি মতিক চাদবনা ক্লাস রুম অমদা পার্টিসন খারগা ক্লাস অনী থংননা তৌবদা মীনিলনা ওজাশিংনা হৌনা ঙাঙদ্রবদি মহৈরোইশিং তাবা ঙমদ্রে হায়রি।

মরম অদুনা ওজাশিং অদু লাউনা ঙাঙবগী হৈনবী অমা লৈরে। হৌজিক স্কুল অসি রিপ্রিয়ারিং তৌনবা অমদি এক্সটেন্সন রুম অমা শাদোক্লবা হোৎনরি। মসি লৈরগদি খরদি শফারগনি। স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংদা মিদ দে মীলসু চাং নাইনা পীজরি। হান্না কুকর অনী লৈরম্বদগী হৌজিক মহৈরোই মশিং য়ামখৎলকপা মরম্না কুকর অহুম থম্বা মথৌ তারে। মসিদা নত্তনা মহৈরোইশিংগী থক্ল-চানবা ঈশিং হাপ্নবা ফিল্টর থমই। অদুবু য়ারিমখৈ মহৈরোইশিংনা মশা মশাগী ময়ুমদগী ঈশিং অফবা পুরক্লবা খঙহল্লি। স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংগী য়ুনিফোর্ম শেৎন-চানবা তরু-তনাননা শুদোক্তুনা অমদি টাইফাওবা পুলহন্দুনা ইংলিস স্কুলগুম্না মশা নান্না লাক্লবা হোৎনরি।

# ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দে পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

লাক্লিবা জুন ৫ ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দে মণিপুরদসু মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা বিজিনেসকী কম্পেনি কয়ানা পুনশিন্নদুনা শেম্বা বিজিনেস এক্সলেন্স গ্রুপনা এম জি টি টাটা মোটোরকা খুৎশম্নদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী নোংপোক সঞ্জেনবমদা 'বিট প্লাষ্টিক পোল্ল্যুসন' হায়বা থিমগা লোয়নননা পাঙথোক্কনি হায়না ঙরাং নুমীদাংৱাইরম নাগামপালগী সঙাই হোটেলদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবদা বিজিনেস এক্সলেন্স গ্রুপ (বি ঈ জি) গী জেনরেল সেক্রেটরি হেরো থোকচোমনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়, বি ঈ জিনা ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেবু হন্দক চহীগী ওইনা বি ঈ জিনা মোদেল ভিলেজ অমা ওইনা শেমগৎকদৌরিবা নোংপোক সেকমাইদা তোঙান তোঙানবা থৌরম হায়বদি উ পাম্বী থাবা, লমদম অদুগী মহৈরোয়শিংগী মরক্তা লাই য়েকপা তান্নবা অমদি লেম্না খুঞ্জাশিংবু লায়েংদুনা লেম্না হিদাক লাংথক য়েন্থোক্কনি। মসি মরুওইনা ঐখোয়গী অকোয়বগী খল কনবদা খুঞ্জাশিং অমদি হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংসু থৌদাং লৌহন্নবা শিনবনি। ঙসিগী পাউমীশিংগা উনবা অদুদা বি ঈ জিগী প্রসিদেন্ট গীতরঞ্জন শর্ম্মা অমদি বি ঈ জিগী ভিপি ডা. ইবোমচাসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা জুন ৫, ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেগা মরী লৈননা বি ঈ জিগী ভল্যুন্টিয়ারশিংগী টি-সার্ট অমসু লোঞ্চ তৌখি।

# এদ্যুকেসন কাউন্সেল্লিং কম ফ্যের ২০১৮ দা মহৈরোয়শিং শরুক য়াহন্নিংই : প্রেমচান্দ

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন্না শীন্দুনা দি এম কোলেজগী মল্টিপর্পজ হোলদা হৌখিবা মে ২৪ দগী হৌদুনা ক্লাস টুয়েল্ব পাস তৌরবা মহৈরোয়শিংগীদমক অখন্ননা পাঙথোক্লিবা এদ্যুকেসন কাউন্সেল্লিং কম ফ্যের ২০১৮ দা মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপা ওইরিবশিংনা শরুক য়াহন্নিংই হায়না দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগী ও এস দি, টি ঐচ প্রেমচান্দনা ফোঙদোরক্লি।

দি এম কোলেজগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা টি ঐচ প্রেমচান্দনা হায়খি, দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন্না শীন্দুনা কুমজা ২০০৪ দগী হৌদুনা এদ্যুকেসন কাউন্সেল্লিং কম ফ্যের অসি পাঙথোরকপনি। হন্দক্কী অসিনা মঙারকশুবনি। অদুবু চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্লিবা এদ্যুকেসন কাউন্সেল্লিং কম ফ্যের ২০১৮ অসিদা মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপা ওইরিবশিংনা শরুক য়াবগী চাং হান্না পাঙথোকখিবশিংদগী হন্থে। ফ্যের অসিদগী মরুওইনা ক্লাস টুয়েল্ব পাস তৌরবা মহৈরোয়শিংনা জেনরেল অমসুং টেক্নিকেল কোর্সশিং মখা তানা তম্নবা হোৎনরকপদা ইনষ্টিট্যুসনশিংগী অকুপ্পা ৱারোলশিং খঙবা ঙমগদৌরিবনি। হৌখিবা মতমশিংদা মহৈরোয়শিংবু লান্না লমজিংলগা ফেক ইনষ্টিট্যুসন কয়াদা মহৈ তমহল্লম্বগী ৱাথোক কয়া লৈখ্রে। অসিগুল্লবা খুদোংথিবশিং অসিদগী কলহৌনবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন্না অসিগুম্বা থৌরাং অসি পায়খৎপনি। মরম অসিনা মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপা ওইরিবশিংনা এদ্যুকেসন কাউন্সেল্লিং কম ফ্যের ২০১৮ অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়খি


## CHINA TEAK ফঙবিগনি

লমদমসিগী লৈহাওগা চুনরবা য়াম্না থুনা চাউগনবা পৃথিবীগী মীয়াম্না দিমান্দ য়াম্না তৌনরিবা China Teak (Paulownia) Tree গী অফবা মখলগী উ চারাশিং ফঙবিগনি।

**MALEMNGANBI NURSERY FARM**
Kangla Siphai Uku Chingjil
☎ 8974401927 / 9402468586

HL-P/1447/28

**PRE-SUMMER & STOCK CLEARANCE SALE OF GENTS ITEMS - UPTO 78% OFF**

(1) GENTS COTTON BASED SHIRTS & T. SHIRTS
(2) GENTS 100% COTTON HALF KURTA WHITE & COL.
(3) GENTS TROUSERS CASUAL & FORMAL

M.R.P. ₹995 to ₹1995 / Offer - ₹395 to ₹495 only

**Venue :- BRIGHTWAYS**
Dharamashala Road 1st Floor,
Opposite Punjab & Sind Bank, Imphal-1
*N.B. Good Without this offer & items at a Fixed Price are also Available.*

*A House of Exclusive Readymade Garments & Hosiery.*

HL-B/4551/1-31April(Alt.)




Our Mission: Producing POSITION Holders from non-Position Holders

**DAS Delta Advance School**
Kwakeithel Bazar, Imphal
A Co-Educational Higher Secondary for Science & Arts
Govt. recognised & Affiliated to COHSEM

**Admission Open for Class-XI**

Special Facilities for Meritorious Students of HSLC exam 2018 for 2018 - 19

For the Students -- Positions Holders and 90 % & above
*Free Admission for both Class XI & XII + 2 years School Fees exemption for Class XI & XII + Free Hostel facility for 2 years + Free Book grant for Class XI & XII + Free School Uniform (one time) + Free School Bag (one time) + Free Registration Fee + Scholarship of Rs.1,000 /- per month for 2 years + Free Coaching for 2 years (for Class XI & XII).*

For the Students -- 85% & above
*Free Admission for both Class XI & XII + 2 years School Fees exemption for Class XI & XII + Free Book grant for Class XI + Free School Bag (one time) + Free Registration Fee + Scholarship of Rs.1,000 /- per month for 2 years + Free Coaching for 2 years (for Class XI & XII).*

For the Students -- 80% & above
*Free Admission for both Class XI & XII + 1 years School Fees exemption for Class XI + Free Book grant for Class XI + Free Coaching for 2 years (for Class XI & XII) + Free Book grant for Class XI + Free School Bag (one time)*

For the Students -- 70% & above
*50 % concession on Admission for Class XI + 50 % concession on Coaching for Class XI + Free Book grant for Class XI.*

For the Students -- 60% & above
*20 % concession on Admission for Class XI + 50 % concession on Coaching for Class XI .*

For form & details please contact Principal, DAS, Kwakeithel Imphal.
Application forms can also be downloaded from the School website: www.dasimphal.com

COME & SEE THE DIFFERENCE, FEEL THE DIFFERENCE

HL-B/4660/28


IN THE COURT OF THE CHIEF JUDICIAL MAGISTRATE: IMPHAL WEST

Cril. Misc. Case No. 31 of 2018
Ref:- FIR No. 330(11)2017 SJM.P.S.
u/S. 420/468/471 IPC & 14 Foreigner Act.

The State of Manipur

–v–

N. Anilkumar Singh, S/o (L) N. Lokeshwor Singh of Bamon Kampu, Mayai Leikai, Imphal East Dist. P.S. Irilbung.
*...Accused persons.*

**PROCLAMATION**

**REQUIRING THE APPEARANCE OF A PERSON ACCUSED**

**(Section 82 of the Code of Criminal Procedure)**

WHEREAS, complaint has been made before me that **N. Anilkumar Singh, S/o (L) N. Lokeshwor Singh of Bamon Kampu, Mayai Leikai, Imphal East Dist., P.S. Irilbung,** has committed/or is suspect to have committed the offence punishable **under Section 420/468/471 IPC & 14 Foreigner Act.** and it has been returned to a warrant of arrest there upon issued that the said accused cannot be found, and whereas it has been shown to my satisfaction that the said accused has absconded/or is concealing himself to avoid the service of the said warrant.

Proclamation is hereby made that the said accused person is required to appear before the CJM/IW to answer the said complaint on the **11th day of June, 2018, at 10.30 am.**

Dated, this 27 day of May, 2018.

SEAL (of the court)

*Sd/-* **Lamkhanpau Tonsing**
Chief Judicial Magistrate, Imphal West

HL-P/1444/28

IN THE COURT OF THE CHIEF JUDICIAL MAGISTRATE: IMPHAL WEST

Cril. Misc. Case No. 31 of 2018
Ref:- FIR No. 330(11)2017 SJM.P.S.
u/S. 420/468/471 IPC & 14 Foreigner Act.

The State of Manipur

–v–

Md. Shahrukh Khan, S/o Md. Kame of Yairipok Changamdabi, Mathak Leikai, Imphal East District, P.S. Andro & one other.
*...Accused persons.*

**PROCLAMATION**

**REQUIRING THE APPEARANCE OF A PERSON ACCUSED**

**(Section 82 of the Code of Criminal Procedure)**

WHEREAS, complaint has been made before me that **Md. Shahrukh Khan, S/o Md. Kame of Yairipok Changamdabi Mathak Leikai, Imphal East District, P.S. Andro,** has committed/or is suspect to have committed the offence punishable **under Section 420/468/471 IPC & 14 Foreigner Act.** and it has been returned to a warrant of arrest there upon issued that the said accused cannot be found, and whereas it has been shown to my satisfaction that the said accused has absconded/or is concealing himself to avoid the service of the said warrant.

Proclamation is hereby made that the said accused person is required to appear before the CJM/IW to answer the said complaint on the **11th day of June, 2018, at 10.30 am.**

Dated, this 27 day of May, 2018.

SEAL (of the court)

*Sd/-* **Lamkhanpau Tonsing**
Chief Judicial Magistrate, Imphal West

HL-P/1444/28


**TEMPLE OF LEARNING , TOL**

KHA -NAOREM LEIKAI, CANCHIPUR

ADMISSION OPEN FOR CLASS - XI (Sc., ARTS & COMMERCE)

**2018 -19 SESSION**

PROSPECTUS AND APPLICATION FORM
*can be had from school counter from 26th May, 2018 during school hours or may be downloaded from www.templeoflearning-edu.org*

*** 1st to 10th Rank Holders - Rs 10,000/- per month**
*** 11th to 15th Rank Holders - Rs 8,000/- per month**
*** 16th to 25th Rank Holders - Rs 6,000/- per month**

* 1st class students Free Admission
* 75 % and above but below 80%
  - Free admission fee
  - Free monthly tuition fee
  - Text book grant
* 80% and above but below 83%
  - Free admission fee
  - Free monthly tuition fee
  - Free one set of school uniform
  - Free private tuition in ADC coaching
  - Free bus service
  - Free coaching for AIPMT/JEE/NEET
  - Monthly scholarship of Rs 2000/-
  - Text book grant
* 83% and above but below 85%
  - Free admission fee
  - Free monthly tuition fee
  - Free one set of school uniform
  - Free private tuition in ADC coaching
  - Free bus service
  - Free coaching for AIPMT/JEE/NEET
  - Monthly scholarship of Rs 3000/-
  - Text book grant
  - Free admission for hostel
* 85% and above but not included in top 25.
  - Free admission fee
  - Free monthly tuition fee
  - Free one set of school uniform
  - Free private tuition in ADC coaching
  - Free bus service
  - Free coaching for AIPMT/JEE/NEET
  - Monthly scholarship of Rs 5000/-
  - Text book grant
  - Free admission for hostel
*1st to 25 Rank Holders, 2018
  - Free admission fee
  - Free monthly tuition fee
  - Free one set of school uniform
  - Free private tuition in ADC coaching
  - Free bus service
  - Free coaching for AIPMT/JEE/NEET
  - Text book grant
  - Free Hostel facilities
**

Contact No. 8787796575 7005062644
8974089101 8787512603
e-mail: tolcanchi@gmail.com

Sd/-
PRINCIPAL, TOL

HL-P/5087/27

**STUDY MBBS/MD IN ABROAD**

BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, TMSS MEDICAL COLLEGE, SYLHET WOMEN'S MEDICAL
KAZAKHSTAN: SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, ASTANA MEDICAL UNIVERSITY, NORTH KAZAKH STATE UNIVERSITY
PHILIPPINES: - AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM,
CHINA: HENAN UNIVERSITY TCM, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING, QIQICHAR MEDICAL UNIVERSITY AND YUNAN UNIVERSITY OF TCM.
RUSSIA : ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.

*PLZ Contact: - Haji Salam , JR International Education Consultant*
*Near Cambridge School, Old Campus Imphal, East, Manipur.*

Contact No.: 8794084294, 9615706900, 8415930785, 8974084294,

HL-P/1223/6/5-5/6